বনিয়ান রেপর্টরি থিয়েটরগী অনৌবা প্লে 'লাইহল্লি'

- নানি

হৌজিক অসি পোক্ক-লমদম অসিদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা কন্না লৈরি। কমদৌনা ৱাখৈনগদগে হায়বগী কাঙলোন অমা ফাওবা উবা ফংদ্রি, লন্নাই ওইবা মীওই কয়ানা অসুম তৌরগদি ফগনি হায়বা মশা-মশাগী ওইবা ৱারু কাঙলোন খরা অদু পুথোরকপা নত্তনা। মপুং ওইনা লৈঙাক থৌঙাক্কী মায়কৈদগীদি থোইদোকপা ৱারৌনরিবা নৎত্রগা লাম্থেংনরিবা কয়াগী থম্মোয় ঈংথ-তপথবা য়াবা মওং-মরিল নাইবা মতৌ অমফাওবদি পুথোক-কাংথোরকপা থেংনদ্রি। মদুসু মতমনা পুরক্কনি। নৎত্রগা চোকথরগা মরন্নাই তোকচখিসনু হায়না খল্লম্বা য়াবগী কিনিংঙাই ওইবা থৌশিলসু লৈরম্বা য়াই। উবা ফংদবা লাইগুম্বগী মরমদা ঐখোয়না পংহায় হায়বা তাদুনা তোক্কনি। অদুম্মক্তি ওইরগসু মীয়ামগী পূক্নিংদদি চাউরবা পেন্নদবগী ৱাফম মরাং কায়না লৈরি। চৈরক অসিদা ঐখোয়না নপশিল্লুরিবা লৈবাক অসিগী লৈঙাক থৌঙাক্কা মরী লৈনবা মীখল পাঙথোক্লি। মীখল অসিনা মরম ওইরগা হুমাং কাংনরম্বা লানগী খোঙফমদি খজিক কোমথোকপা মানবদি উবা ফংই। মসিনা লান লোইরগনি হায়বগী ৱাফম কৈসু উবা ফংদে।

লান অসিগী হৌরকফম ওইরিবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা খুমুজাম্বা লৈকায় হায়বা মৈতৈগী চাউরবা খুল অসিগী হৌরক্লোনগসু চাউরাক্লা শাগোন্নবা, ঐখোয়গী পুৱারীদা চেকশিন-তাশিন্দুনা লৈরিবা পুৱারীগী লীক্লমদা য়ূম্ফম ওইবা প্লে 'লাইহল্লি' হায়না মিংথোনবা অমা বনিয়ান রেপর্টরি থিয়েটরনা পুথোক্তুনা মীয়ামদা উৎখ্রে। হৌখিবা মার্চ ২৪, ২০২৪দা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী ওদিটোরিয়মদা উৎখ্রে। প্লে অদু ডা. মাখোনমনি মোংশাববনা দ্রামা ওইনা ইরগা বনিয়ানগী কে এস ঐচ ফজতোননা দিরেক্সন পীবনি। প্লে অসিগী অফ-ফত্ত খোগোপ্পা ঙাইহাক থল্লগা অসিগুম্বা ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা প্লে অসি পুথোরকপগীদমক অহানবমক্তদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মরমদি চুড়াচান্দপুরদা লৈরিবা মৈতৈশিংগী খুন্দারোলগী মতাংদা নৌনা থোমজিল্লকখিবা চিন কুকিশিংগী অরোনবা অমদি ওইদবা নেরেটিভ কয়াগী শাজিনবা হিষ্টোরিনা মৈতৈগী লম নত্তে হায়বগী ক্লেম লৈরিবনি। মসি মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা য়াম্না লিরবা মৈতৈশিংগী লমনি হায়বা অসি ময়েক শেংনা উৎপা ৱারীনি। তৌবতবু প্লে অসিনা মায়কৈ অদোমদদি কয়া চঙশিল্লকখিদ্রবসু ৱারী শিংবুন অসিনা পুৱারীদা লোত্তুনা লৈরিবা থুপ্লবা ৱাবু মচি কাংবা খরগীমখৈদি ঙল্লমগনি খল্লি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা খুমুজাম্বা লৈকায় হায়না কৌরম্বা, লাইসু মীসু তাইশিন্নবা ঙম্বা মাইচৌ খুমুলৈরিজাম্বগী ৱারী, য়ামখল্লোই তরেৎনা মোইরাং লৈবাক্তা লাক্তুনা তাইবং মীবু মচীঞ্জাক ওইনবা সোরারেলগী য়াথং লৌখিবা, মোইরাংদা লাকতুনা মীবু হাত্তুনা চারকপা, মদু থিংনবা খুমুলৈরিজাম্বানা য়াখল্লোই তরেৎপু তান্নদুনা তাম্থোকখিবগী ৱারী, থৱায় য়াওজবশিংনা শোয়দনা লীখুন লিরকখিগনি। মতম অদুদা হৌজিক লৈরিবা তোর্বুং লমজাও, খুমুজাম্বা পূং, খুগা তম্পাক, থিংকাংফাইনচিংবা কয়াগী ৱারীশিং মরি মরি থোরক্লগনি। মসিগীদমক লীলা

অসিবু ইদুনা পুথোক্লিবা ডা. মাখোনমনি মোংশাববুসু ঙমখৈ লৈনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

'লাইহল্লি' হায়বা অসি ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদগী তারকখিদবা ৱাহৈগী খোম্থোকসি খজিক খেন্নবা থেংনৈ। কনা অমনা 'লৈহাল' হায়না অইবা লাইরিক্তা ইরম্বসু থেংনৈ। অদুবু হন্দক্কী প্লে অসি য়েংলুরগা 'লাইহল্লি' হায়রিবসিনা হেন্না চুমগনি হায়না খল্লি। ৱারীগী লীপুন লিশাংদি চপ মান্নৈ। লীলা অসিনা হৌজিক্কী মতমদা ওইরক্লিবা মণিপুরগী ফীভম কয়া অসিগী থৌদোকশিং নীংশিংহনবগা লোয়নননা অথুপ্পা পুৱারীগী তাঙ্কক অমবু মীয়ামদা থেন্দুনা উৎলকই। য়াম্না অতাঙবা ৱারীনি। প্লে অসিগী কান্নবা মহয় শোয়দনা মীয়াম্না ফংগনি খল্লি। বনিয়ানগী পুথোকখিবা লীলা অদুনা হায়নিংলিবসু ওইরিবা ফীভমসিগা খজিক চুশিন্নৈ। লীলা হৌদ্রিঙৈদা লীলাদু পানখৎলকপা মতমদা খন্নখিবা অমদি প্রদক্সন টিমনা উজখিবা খঞ্জখিবা কয়া অদু লীলা ওইনা লেপ্তুনা থোরকপদা খনখিবশিংদু উবা ঙম্বরা হংনিংবা ৱাহংশিংগী মনুংদা অমনি। লীলাসিনা লংজিন-মচিন মাঙদুনা লৈরুরবা অরিবা পুৱারীগী ৱারী ৱাখোং অমগী লংজিন চিংথোরকই। চুড়াচান্দপুর হায়বা মিংথোল অসি লৈত্রিঙৈদা মফমসিদা কমদৌনা মৈতৈনা খুন্দা লৈতাবা হৌরকখি হায়বদুগী মরমদা, মসিমদি ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা য়াম্না মতাং চাবা অমনি হায়না থমজনিংই। তোর্বুং লমজাওগী ৱারী লীখুন, খুমুজাম্বা পূংগী ৱারী লীখুন, মোইরাং লৈবাক্কী মাইচৌ খুমুজাম্বগী ৱারী লীখুন, মহাক্কা লোয়নননা য়াখল্লোই তরেৎপু থেম-নৌদুনা মীওইবগী লন-থুম মাঙ তাকহন্দবা অমদি মীগী তোংসা চাদনবা হায়বদা য়ারক্তবদগী মতমদুগী মোইরাং নিংথৌ লাইয়ু পুন্সিবগী য়াথং লৌরগা য়াখল্লোই তরেৎ অদুগী মথক্তা তেন্দমদুনা মায়কৈ সলাই খঙদনা তেনকাপখিবদগী খাঙবা ঙমদদুনা মচি অমদা শাথুপ্তুনা লৈরম্বদগী খাঙবা ঙল্লক্ত্রদুনা পাখংবগী মনাক্তা চঙশিল্লগা লোংখিবগী ৱারী লীলাসিনা মচা তানা পুথোরকখি। তেনগী খোঙ্গুল লীদুনা লাকপদা তেননা লৈমায়দা য়ুংশিন্দুনা লৈরম্বা মফম অদুমক্তদা খুমুলৈরিজাম্বগা লাকমিন্নখিবা লাল্লোই খুম্ভাগা লোয়নননা কমদৌনা মখা তানা মফম অদু ঙাক শেন্দুনা খুন্দা লৈতাহৌখিবা, মখোয়না খুন্দা লৈতাদুনা লৈরমখিবা মফম অদুবু খুমুজাম্বা পূং হায়না থোনখিবগী ৱারী কয়া অদু নৌহৌননা নীংশিংহন্দুনা লীলা অসিগী ৱারীগী লিয়াং শাগৎলকই। মপুং ওইবা লীলাগী ৱারীসু মসিমক্লি। লীলা হৌরকপদা হৌজিক ওইরিবা কন্টেম্পোররি রিলেটেদ ভাইওলেন্স অমদি লোইরকপদা হৌজিকমক কংলৈপাক অসিদা ওইরিবা তংদু লৈতাদবা অমদি মীয়ামগী পুন্সি অমদি লন-থুম ঙাক শেনবা ঙল্লক্তবগী শক্তমশিং অদু উহন্নবা হোৎনবনি। লীলা অসি হেক হৌরকপদা মশক খঙদবা মীওই খরনা বোম/নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীচম মীয়ামদা ওনশিনবা, মীয়ামগী পুন্সিনা কাং-খোং চাইদুনা লাউ-খোংদুনা খাঙবা, মীশি-মীনা কয়া থোকহন্দুনা ঙমখৈ লৈতনা ৱাবগী পান্দোমলোম্বা অদু উহল্লি।

লীলা অসি তুনা য়েংলগা থোরক্লিবা ৱাখল্লোনদি, কনা-কনানো মীচম মীয়ামদা বোম-নোংমৈ কাপশিন্দুনা ঈরাং শাগৎলিবসে? মখোয়গী অপাম্বা করিনো? মখোয়গী হৌরকফম কদায়দনো? মীচম মীয়ামশিং অদুনা কদোমদগী লাকখিবনো? মদুগী চিংথোকপা য়াবা, নৈনবা য়াবা ৱারী লীখুন লৈবরা? করম্না তোর্বুং লমজাও কৌখিবনো? করম্না খুমুজাম্বা পূং থোনখিবনো? মফমদুদা খুন্দা লৈতারকখিবদুনা কনানো, কদায়দগীনো? হায়বা ৱাহং ময়াম অমা হৌজিক-হৌজিক থোরক্লিবা অসিগী মতিক চাবা পাউখুম অদু লীলাসিগী অইবা অসিনা লিয়াং ওইনা পুথোক্লগা মীয়ামদা উৎথোরকপনি। মসিনা চমম্নদুনা লৈরম্বা চুড়াচান্দপুরদা কমদৌনা মৈতৈ লৈরক্লিবনো হায়বদুগী খোঙ্গুল অদু ফজনা লৈরে হায়না থমজনিংই।

'লাইহল্লি' লীলাসিগী ৱারী অসিনা কন্টেম্পোররি রিলেভেন্স অমা পীনবা হোৎনবগী প্রদক্সন ষ্টাইল অদোমদা খজিক্তুং থমজনিংবদা- অহৌবগা অরোইবগা থিয়েট্রিকেল ইফেক্ট খরা হেন্না মশক থোক্লা হাপহন্নিংই। মদুনা অয়েংবশিংদা সস্পেন্স অমা পীরগা লাক্কদৌরিবা ৱারী পরিং অদুদা হেন্না তোংশিনবা ঙম্নবগীদমক। য়াখল্লোইশিংনা মোইরাংগী মী হাৎলকপা, লৈবাক মীয়াম পুম্নমক্লা মীপাইনদুনা লৈরিঙৈদা মাইচৌ খুমুলৈরিজাম্বদা নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না মাইচৌনা লাক্লগা য়াখল্লোইশিংবু থেল্লবা, য়ারক্তবদা তেননা কাপ-কাপ্তুনা কোয়তান তাল্লকপা, য়াখল্লোইশিংনা খাঙবা ঙল্লক্তবদগী পাখংবগী মনাক তান্না লাক্লগা, পাখংবদা কেশিল্লবা, পাখংবসু য়াখল্লোইশিংনা থোৎথ-নৌথরকপদা পূক্নিং ইথিল মাতা অমা ওইনা হোংলক্তুনা য়াখল্লোইশিংগী মতেং পাংনবা ফিরেপ লৌরকপা কয়া অদুদা পাখংবগী মায়থোং, ৱাখল অমদি ফিরেপ অদু পুৱারীদদি লৈরে, অদুবু লীলা অদুনা উৎথোরক্লিবা অদু কয়া য়াম্না চুশিন্নবগে য়েংশিনবা য়ারিবরা খন্নহন্নিংই। পাখংবদু নুপী-অঙাংনা নোঞ্জরবদা মহাক্লা ইচম চম্না মতেং পাংবগী ৱাখল্লোন মান্দবা, নুপীশিং অদুদা হেন্না থৱায় লুপশিনবা মানবা মতৌ অমা উরিবদু চুশিন্নবরা হায়বা ৱাহং থোরকই। লীলা লোইশিল্লকপদসু হৌজিক মীপুম অয়াম্বগী থম্মোয়দা মৈ হৌদুনা লৈরিবা পেন্নদবা অমদি লৈতাদবা তুংগী হিংনবগী লম্বী উরক্তবা কয়া অদু হেন্না ময়েক শেংনা করম্না ফোঙদোকপা য়াগদগে হায়বা অদোমদসু অহেনবা মীৎয়েং থমহন্নিংই।

খরা অসিনা লন্নাইগী ওইবা ৱাখল ইপোম ওইরগসু লীলা অদু য়েংবা য়াবা অমদি ওইখি। অসিগুম্বা মখলগী লীলা অমা পুথেরকপা অসিগীদমক বনিয়ান রেপর্টরি থিয়েটর, প্লেরাইট অমদি আর্টিষ্ট পুম্নমকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

নহাশিংগী অখন্নবা কাখল : - নহা ফাল

মীতৈ ফুরুপকা শেৎন-খায়নবা য়াদ্রবা 'পেনা'গী শৈশক্লোই 'কোইজম প্রেমকান্ত মৈতৈ' দি পেনাদা পূমলুপ লুপশিন্দুনা লৈরম্লে

মীওইবা খুন্নাইনা লেপ্তুনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না মীওইবগী শিনফমগী মশীংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। শিনফম খূদিংমক পামজবগা লোয়নননা পূক্লিং-হকচাং লুপ্না খূৎপায়নরবদি শিনফমদুদা মায় পাকপা মীওই অমা ওইবদা নত্তনা শিনফম অদুনা মীয়ামদা পীগদবা কান্নবশিংগী মশীংসু থিঙমদনা হেনগৎহল্লি। মীওই খরনা ওইওইনৈ হায়না খল্লবসু হৈরোক পার্ট ৱান হৈতুপপোকপী মনিং লৈকায়দগী মশাগী চহী ৩০ শুদ্রিবা কোইজম প্রেমকান্তদি য়েলহৌমী মীতৈ খুন্নাইগা তৎন-থানবা য়াদনা ঙসি ফাওবদা শাগোন্ননা লৈরক্লিবা 'পেনা'দা পূক্লিং-হকচাং পূমলুপ লুপশিন্দুনা অঙাং ওইরিঙৈদগী পেনাগী শৈশক্লোই অমা ওইরকখিবনা ঙসিদি পেনাগী মরমদা মহাক্লা খঙদবা/উদবা য়াওশিল্লক্ত্রে। পেনাগী মরমদা খঙনিংবা অমসুং পেনা শৈশক্লোই ওইনিংবা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াগী ওজা ফাওবা ওইরক্লে। নীংবু নীংলবদি থোকঅবা অমা লাকই হায়গুল্লন্দনা শুপ্নতগী ক্লাস ৱান/টু তমদুনা তাইবং মশক খঙলকপা হৌরকপদগী হৌনা অপোকপা মপা কোইজম শ্যামকহ্নাইগীসু অপোকপা মবুধৌগী তুং ইন্দুনা য়াম্না নৌনা পেনাগী লম্দা খোঙদারকখি।

মহাক্লা হায়, পেনা হায়রিবা খূৎলায় অসি মীতৈ ঐখোয়গী পুন্সিরোলদা তৎন-থানবা য়াদ্রবা অমনি। 'পেনা মৈহৌরোল পুয়া'দা তাইবংপান শেম্নবগীদমক মীওইবা পোক্লনবা লাইনিংথৌ অশিবনা পেনা খোংখি হায়না পুয়া অসিদা পল্লি। মালেম লৈশেম্লোন্দগী পেনা অসি অদুম্মক মরু ওইদুনা লাক্লি। মসিগী মরমশিংগী মনুংদা পেনা চৈজিং অসিনা লাইনিংথৌ ইপা শিদবগী মশক্লি অদুগা খূৎ ওইনা পায়রিবা পেনা মরু অসিনা ইমা লৈমরেন শিদবীগী মশক্লি। মরম অসিনা হৌদোরকপগী হৌনা পেনাবু ঐখোয়না ইমা-ইপা শক্লা লৌনরকখিবনি। মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, অঙোম নিংথৌনা মনাফি (খামেন চৎপা ফৈজোম, লমথাং খূৎহৎ) শীজিন্নবা অমদি শেৎপা য়াবগী অয়াবা ফাওবা মহাক্লা পীশক পীক্লিঙৈদগী পেনাগীদমক হোৎনজরকখিবশিং য়েংলগা পীবীরক্লে হায়রি। অদুগা পন্দিত লোয়শঙনা 'পেনা হিদং' হায়বগী মিংথোল/মনা ফাওবা পীরক্লবসু মহাকপু খূৎ পায়দুনা তম্বীরকখিবা মবুধৌ কোইজম নুপামচা মৈতৈবুদি মহাক্লা কাউদ্রি।

মহাক্কী অপোকপীগী মমিং ইমেম লৈমা কৌই। মচিন-মনাও নুপী মরি অমসুং নুপা অমা পুন্না মঙাগী মনুংদা মহাক্লা ইতোন তোনবনি। মকুবোক অমসুং মবোক্লা লুনা তৌবীরকখিবনা অমুক্কসু হেন্না মহাক্লা পামজবা পেনা ওৱাইবা অমসুং পেনাগী শৈশক তম্বদা অচৌবা মতেং ওইখি। মপুবোক্লা মহাক্কী পেনা মচা অমা ফাওবা শাবীদুনা খোংবা তম্বীরকখি। অসুম্না পেনাদা লুপ্লকখিবা মহাক কুমজা ২০১৬তগী পন্দিত লোয়শঙগী পেনা লোয়শঙদা মখা তানা পেনা তম্লকখি। লোয়শঙসিগী ওজাশিংগী মখাদা তম্লক্তুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা হৌরকখি।

লৈবাক অসিগী অতোপ্পা মফমশিং খক্তা নত্তনা বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারগী মন্দলে ফাওবগী ফম্বাক্তা পেনাগী শৈশক তমখ্রে। হৌজিকসু লাই হরাওবা, পেনা ফমশক, ইপান থাবা, নাহুৎ-নারেং তম্বা, মঙানি লৈহুন, লান্ন-থৌরম, ফিরোই, চকপা কূট্টন য়াওনা লুহোং-খোংদোংবা অমসুং অতৈ থৌরমশিংদা পেনাগী শৈশক্লোই ওইরক্লি। পেনা ফমশককী য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোকপা খূৎলাই অসিগী খন্ন-নৈনবা মীফম কয়াদসু ৱা ঙাংবা হৌরক্লি। পন্দিত লোয়শঙগী পেনা লোয়শঙনা পীবা পেনা ফমথোলশিং সনা লৈখম শঙলাকপা, লুপা লৈখম শঙলাকপা, শঙলাকপা, হঞ্জবা, হিদং অমসুং পেনা খোংবনচিংবশিং অসিগী মনুংদা পেনা হিদংগী ফমথোল ফংখ্রে। পেনা ফমশকনা মণিপুরগী পুৱারীবু লীদুনা মীয়ামদা লায়না খঙহনবা ঙম্মী। আর্ট ফোর্ম অসিনা মোইরাং কংলৈরোলগী য়াওনা লাইগী ৱারীনচিংবশিং ঈশৈ ওইনা শক্তুনা মীয়ামদা খঙহনবসু ঙম্মী। মহাক্লা পামজনা চঙশিল্লকখিবা লম্বী অসিনা ঙসিদি মহাক পেনা খোংবনা মশাগী অকক্লবা শিনফম অমা ওইবা ঙল্লক্লে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

অদুম ওইনমক মহাকপু তাকপী-তম্বীরকখিবা খাঙেম্বম মঙ্গি, লাইশ্রম লৈবাকমচা, সিনাম অচৌবা, আর কে সুর্জিৎ, পেবম টিকেন, কোইজম থোইবা অমসুং থোকচোম অবুংনচিংবা ওজাশিংবুদি মহাক্কী পূক্লিং-ৱাখলনা লাই ওইনা লাত্তুনা থমজরি। শিনফম অসিদা মায় পাক্লক্লবা কোইজম প্রেমকান্ত মৈতৈ অকাশবানি ইম্ফালগী পেনা শৈশক্লোইদা এ গ্রেদ ফংলে। দিষ্ট্রিক্ট অমদি ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকখিবা চাংদম্নবা কয়াদা মনা ফংখ্রে। মহাক্লা পূক্লিং-হকচাং লুপ্না হোৎনজরকপবু শকখঙবীদুনা হৌখিবা কুমজা ২০১৮-২০২০গী ওইনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা মহাক্কী পামজবা শিনফম অসিগী মতাংদা স্কোলারশিপসু পীরকখ্রে। পেনা শৈশক্লোই অমা ওইবা খক্তা নত্তনা মহাক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী জগোয়দা মাষ্টর দিগ্রী পাস তৌরক্লবা মীওই অমসু ওইরি। জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীদগী জগোয়দা দিপ্লোমাসু ফংবগা লোয়নননা একাদেমী অসিমক্তগী 'লাই হরাওবা'দা পোষ্ট দিপ্লোমাসু ফংলে। মখা তানা পেনাবু মশক খঙনিংবা অমসুং পেনাগী শৈশক্লোই ওইনিংবা পুম্নমক্কীসু মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংখিগনি হায়রকখি।

হেমচান্দ্র নিংথৌজম

অৱাথবী পাম্বীদা ফনেক শেৎপীবা

(The Science Behind the Belief)

ডা: এম থোইথোই সিংহ, ক্রোপ সোল্যুসন্স

য়ূম্লক্তা, ইস্তোলদা অমা অনীদং ওইনা থারিবা অৱাথবীশিংদা ফনেক শেৎপীবা (ফীমচেৎ অমনা) তোয়না থেংনৈ। মহয় পানবা ঙমদবা অৱাথবী পাম্বীশিংদু ফনেক শেৎপীরবদি অৱাথবী পানগনি হায়না থাজনৈ। অদুবু অৱাথবীগী হৈকোল ওইনা লৈরিবশিংদদি ফনেক শেৎপীবগী চাং খরা হন্থরবসু পাম্বী ময়ামদুগী মরক্তা য়াওরিবা অৱাথবী লাবশিংদদি ফনেক শেৎপীবা অদুম য়াওই। ৱাহম্থোক্তি অমোম ওন্নবনি, মহয় পান্নবনি হায়রিবনি। ৱাফম অসিনা চুল্লগদি হান্না অৱাথবী য়াম্না পানবা পাম্বী অমদা ফৈজোম নৎত্রগা খোঙ্গ্রাও শেৎচিনবীরবদি লাবা ওন্দুনা অৱাথবী পানবা লেপখিগদ্রা?

অৱাথবী পাম্বীশিংদা মখল অহুমগী মপাল তোঙান তোঙানবা পাম্বীদা শাৎলি। শাৎলিবা মপালদুগী মতুংইন্না পাম্বীদু লাবা, অমোম নৎত্রগা অনীমক য়াওবা পাম্বী ওইনা অহুমথোক্লা খায়দোকই।



The three types of papaya flower
1 inch
Female
conical bud; petals free; large ovary with prominent stigma; no stamens; does not form fruit unless pollinated
Hermaphrodite
cylindrical bud; petals fused at base; contains both ovary and stamens; self-fertile
Male
slender, spoon-shaped bud; petals fused at base; contains anthers but no ovary; cannot develop into fruit

১। অমোমগী মপাল পুথোকপা পাম্বী (Female/Carpellate)

২। লাবা খক্কী মপাল পুথোকপা পাম্বী (Male/Staminate)

৩। লাবা-অমোম অনীমক্কী মগুণ লৈবা মপাল পুথোকপা পাম্বী (Bisexual/Hermophrodite)

অৱাথবী পাল্লমদবা পাম্বীশিংদা পাল্লকপগী মরম য়াম্মী। ফনেক শেৎপীবা শেৎপীদবগা মরী লৈনদে। মসি অমোমদসু লাবদসু থোকই। পাল্লম্বা কয়া অমসু পানখিদবা য়াওরিবনি। পাম্বী মশক খঙদোকপগা লোয়নননা পানবা পান্দবগী মরমশিং খঙদোকপা চঙই।

অৱাথবী অমোমগী মপাল : মপালশিং পাম্বীগী মঊ অমসুং মনাগী মখোক অনীগী কারক্তা অমমমতা ওইনা নৎত্রগা অনী-অহুম ওইনা শাৎলি। অঙৌবা নৎত্রগা নাপু মচুগী মপালশিংদু মখোক্তা নোয়থোক্লা লৈ। মহয় ওইগদবা শরুক্তু (Ovary) চাউনা লৈ। অতোপ্পা অৱাথবী লাবাশিংনা পুথোকপা লৈরিকশিং অমোমগী লৈদা তাশিনখ্রবা (Pollination) মতুংদা অৱাথবী ওইরকই। লাবগী লৈরিকশিং য়াওদনা অৱাথবী পানবা ঙমদে। অদুবু করিগুম্বদা য়াম্না তাঙনা লাবা য়াওদ্রবসু মশীং য়ামদনা অমা অনীখক পানবা য়াওই। অদুগুম্বা অৱাথবী মনুংদা মরু য়াওরোই। মহয়সু পীক্কনি। পাল্লিবদু ফনেক্লদি নত্তে। পোখোক্তি লৈরোই।

অৱাথবী পাম্বীদা ফনেক শেৎপীবা

অৱাথবী অমোমগী মপালদা অৱাথবী মচা মচা তম্লম্লগা কেল্লিবসি লাবগী লৈরিক অমোমগী মপালদা য়ৌরক্তবদগীনি। পাম্বী অমা অনীদা থাবা অমসুং লাবা য়াওদবা হৈকোলদা মসি থোকই। পংকেন্দা কেনবদুদা ফনেক শেৎচিনবীরুবনি।

অৱাথবী লাবগী মপাল : য়াম্না শাংবা লৈখোক্তা অপীকপা মপাল চবুন-চবুন শাৎকনি। মপাল মচা অমমম ওইনা য়েংবদা মখোক্লোম থংবা শরুক মখৈ পীক্কনি, মতোন চাউগনি; শম্না চামচ মঙা মমায় ওনশিন্নবা মানগনি। লাবগী মপালদগী লৈরিক ময়াম পুথোক্তুনা অমোম নৎত্রগা লাবা-অমোম অনী পুন্না য়াওবা মপালশিংদা লৈরিক য়ৌহন্দুনা অৱাথবী পালহনবা ঙম্মী। অদুবু মশাদদি অমোমগী মথৌ পাঙথোক্লবা শরুক য়াওদবনা মহয় পান্দে। অদুবু য়াম্না তাঙনা থোকপদা মপাল চরোং অমগী খ্বাইদগী মতোন থংবা মপালদা অমোমগী শরুক য়াওরকপদা পানবা য়াওই। করিগুম্বা কালেনগী মতমদা য়াম্না শাবদগী মতম খরগী ওইনা হান্না মথৌ তৌরমদবা, য়াওদবগুম খন্নরম্বা অমোমগী শরুক্তু (Non functional pistil) মথৌ তৌরক্তুনা লাবা-অমোম অনীমক য়াওবা, মপালগুম (Hermaphrodite) মহয় পুথোকই।

মহয় পানবা অৱাথবী লাবা

অসুম্না পুথোরকপা অৱাথবীশিং পীক্কনি, শাংতক তৌগনি; য়ান-য়ান্দুনা লৈগনি। অসিগুম্বা অৱাথবীদগী পুথোরকপা মরূশিংদগী পুথোকপা পাম্বীশিং লাবা ওইগনি। মতাংসিদসু ফনেক থোনবগা চানরুবদি লান্না থাজবসু হেঞ্জিনখিগদৌরিবনি।

লাবা-অমোম অনী পুনবা মপাল : মপাল অমত্তদা লাবা-অমোম অনীমক পুন্না য়াওবশিংদদি অতোপ্পগী মতেং য়াওদ্রবসু মথন্তা পোলিনেসন তৌবা ঙমজে, মহয় পাল্লি। মনাগী মখোক অমসুং মঊদা তায়নফমদগী মতুম তানা শাংতক তৌবা (Cylindrical) মপালশিং লৈ। অসিগুম্বা মপালশিং মথন্তা মহয় ওইবা ঙমজে। মহয়শিং শাংতক তৌবদগী মখোকলোমদা পীক্লগা মতোন্দা চাউথোকপা অৱাথবী মখল কয়া পুথোকই।

অদুবু অৱাথবীদা ঈশিংগী অৱাৎপা নৎত্রগা ঈশিং কা হেনখিবা, লায়না-তীলনানা মরম ওইরগা অমোমশিং মথৌ তৌহন্দবা, লাবগী শরুকপুনা ফজনা মপুং ফাহনবা মতমদদি অৱাথবী ওইদে। মতাংসিদসু ফনেক শেৎপীবগী কান্নবা লৈতে। থাবগী কাঙলোনদং শোয়দনা চুমহনসি।

ꯑꯋꯥꯊꯕꯤ ꯄꯥꯝꯕꯤꯗ ꯐꯅꯦꯛ ꯁꯦꯠꯄꯤꯕ

(The Science Behind the Belief)

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৭।০৪।২০২৪ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক পুং ৬.৫৪ ফাওবা লমতাগী ২৮ নি পাল্লি, মতুং ২৯ নি পাল্লনি।

মেষ: অয়ুক পুং ৮ ফাওবা য়াম্না ফবা খোঙশাল লৈ। থৌনা লৈনা ওইজ-ওইথক তানবা, পল্লম্বা থবক পাঙবগী য়াম্না নুংঙাইবা লৈগনি।
লৈশা পাখংগী- ৱা ঙাংবা লুগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃষ: থবক পাঙগনি, লন চঙগনি, নীংবা মপা চাগনি, লৌশিং খরা ৱাৎলসু মিংচৎ ফংজগনি। পাউ নুংঙাইবা তাগনি, চিংনরম্বা কোকচগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক থোইনা ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

মিথুন: অনৌবা থৌরমদা খূৎচাও থাবা য়ারগনি। নচা-ননাইতা নত্তনা মীয়াম পুনবা ফংবগী নুংঙাইজবা লৈ। মীৱা থাজরদি থবক মাঙগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশি মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

কর্কট: মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবা মতাং চাগনি। নাপল তৌরদি নচাক-নরল মাঙগনি। অশাওবা/চরাংনবনা মাংওইনগনু-শোক্কনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

সিংহ: পুং ৮ ফাওবা কান্নগদবা খোঙশাল লৈ। নচা-ননাই নত্তনা নঙগী মীচঙ লৈরোই-চুম্না চৎলু। খৎনবা/শোকপা য়াবা লৈ-ফিংগনু।
লৈশা পাখংগী- লাইবক লৈতে-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

কন্যা: লাইবক থোইনা ফগনি। লল্লোন-ইতিক্তা খূৎচাও থাবা, নচা-ননাইগী মতেং লৌবা য়ারনি। শক খঙদবদগী চেকশিল্লু, চিন য়াংগনু।
লৈশা পাখংগী- নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

তুলা: পুং ৮দগী ওইজবা হেন্না ফংগনি। হকচাং খিংবা ৱাৎপা অমদি মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎপদি লৈ। মীনা লাকচবদি ঙল্লোই, থবক পাঙগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফবা খরদি লৈরে।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/চেঙ

বৃশ্চিক: ঈংনা তপ্না থৌ পাঙনবা হোৎনৌ। হোয়া ফবা, নাপল অমদি অশাওবনা খ্বাইদগী মাঙজগদবা নুমিৎনি। মীনা ইকায় খুম্নবীবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংলোই-মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

ধনু: পুং ৮ফাওবা লাইবক থোইনা ফগনি। লন অমদি লৌশিং মরাং কায়না ফংগনি। খন্থদনা পোরম শীনবা/ৱা ঙাংবদি চোপ্পা নংগনি।
লৈশা পাখংগী- মীতোপ থাজবা লুই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

মকর: লাইবক লৈরমদবা লৈরনি, থাজদনা কান্নবসু ফংলনি। মীয়াম্না লোয়নবা পাম্বা, থবক্কী নুংঙাইবা ফংজবা নুমিৎনি। মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংগী- মরী ফগৎলনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

কুম্ভ: অয়ুক পুং ৮ফাওবা লাইবক ফগনি। নথক থোংবা/মরুপ-মপাংগী মতেং পাম্লদি শোয়দনা ফংগনি। মরম চাদনা ইচঙ থৌরদি লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

মীন: লাইবক ফরনি, নচা-ননাই য়ামগনি, নীংবদু মী ঙায়দনা পাঙবা য়াগনি। ঙাং-শকপা অমদি অকল-অথৌগী লমদদি খরা চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।